# তোঙান-তোঙানবা ইভেন্টতা শান্নরিবা হৌজিক্কী প্লেয়রশিংদদি সাইন্টিফিক সপোর্ট হায়বসি খ্বাইদগী মরু ওইবা অমা ওইরে



**কোন্থৌজম কোম্না মৈতৈ**
*(সাই, এন আই এস কোচ)*
*মাষ্টর ওফ স্পোর্টস*

(ঙরাংগী মখা)

হায়জনিংবা অমনা, মণিপুরদা স্পোর্টসকী অচুম্বা মাইওন অমা পুবীরকখিবসিদি লৈখিদ্রবা আর কে জয়চন্দ্র (মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টরসু ওইবীখিবা) ননি। মহাক্না য়ুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর ওইনা মতম খরা পুরম্বগী তাঙ্ককতুসু থোইদোক্না শীংথানিংঙাই ওইখি। মশামকসু লাইরিক-লাইশুগী মঙাল নীংথিনা ফংখিবা মীওই অমা ওইবনা লমদমসিবুসু ফজনা খঙখি। মণিপুরদা হৌজিক লৈরিবা সাই সেন্টর অসি মহাক্না মরু ওইবা থৌদাং লৌরগা ষ্টেটসিদা পুরকখিবনি। সাই এস এ জি লাকখিবদগীনি মণিপুরদগী ইন্টর্নেসনল প্লেয়র ময়াম অমা পুথোরকখ্রিবসি। ৱেটলিফটিংদা, বোক্সিংদা, জুদোদা, হোক্কিদা, আর্চরিদা.... মালেমগী অতৈ শান্নরোয়শিংগা থেঙ্গাইনদুনা শান্নবা ঙম্লক্লিবসিমক ৱর্ল্ড ষ্টেন্দর্দগী খুৎশু-খুৎলায়দা ট্রেনিং তৌরকপদগীনি হায়বা য়াই। খুদম ওইনা ৱেট লিফটিংদা মণিপুরগী শান্নরোয়শিংনা ৱর্ল্ড ষ্টেন্দর্দকী ইক্যুপমেন্ট শীজিন্নদুনা শান্নবা হৌরকখিবসিমক সাই সেন্টর লাকখিবদগীনি। মসিগী মখা তারকপদা, কুমজা ১৯৯৯গী ফেব্রুৱারি থাদা মণিপুরনা হোষ্ট ওইদুনা পাঙথোকখিবা 'ফিফথ নেসনল গেমস' অদুনসু লমদমসিদা ৱর্ল্ড ক্লাসকী ষ্টেদিয়ম ময়াম অমা পুবীরকখি। আর কে জয়চন্দ্রগুম্বা মীওইদি অতাংবনি। মহাক্কুম্বা ইচঙ থৌবা, মথৌ নিংথিনা পাঙথোকপা ঙম্বসি হৌজিকসু মথৌ তারি। ইশাগী ৱারীদা অমুক লাকচরবদা কুমজা ১৯৮৪দগীনা কুমজা ২০০০ ফাওবা ফিল্ডদা অঙাং পায়রম্লবা মতুংদা, কুমজা ২০০০গী ময়াই চল্লকপা মতমদগীদি ঐহাক 'স্পোর্টস সাইন্স সেন্টর'দা হেদ ওইদুনা সেন্টরসি চল্লায়বদা মরু ওইবা থৌদাং লৌজরকখি। স্পোর্টস দিসিপ্লিন পুম্নমক্কী শান্নরোয়শিংদা সাইন্সকী সপোর্ট পীদুনা শান্নহন্নবা হোৎনজরকখি। তাকয়েলগী সাইদা লৈবা স্পোর্টস সাইন্স সেন্টরসিদা ঐখোয় হৌদোকমিন্নরকখিবসি ডা. এ কে জয়, ঐহাক ইশামক অদুগা ফিজোগী ললিটোনি। ঐখোয় অহুমগী য়াম্না ষ্ট্রোং ওইবা টিমদুনা শান্নরোয়শিংদা মমল নাইদ্রবা কান্নবা কয়া পীবা ঙমজখি। মফমসিদা ট্রেনিং ফজনা তৌরগা ওলিম্পিক এরেনা য়ৌখিবা প্লেয়রসু য়াওখি। সেন্টরসি লাকপদগী, স্পোর্টস দিসিপ্লিন কয়াগী প্লেয়রশিংদা খরদি কান্নবা পীবা ঙম্লে খল্লগা তশেংনা নুংঙাইজখি। তশেংবসু, হৌজিক্কী স্পোর্টসসিদা মতমগী মতুংইন্না অহোংবা ময়াম অমা লাকখ্রে। শান্নরিনি হায়দুনা পঙশান্দা শান্নবসু য়াদ্রে। ইশাগী বোদি ষ্ট্রকচর, মুভমেন্টশিং পুম্নমকসি মশক মুন্না খঙদবা য়াদবগী তঙাইফদবশিং লাক্লে। তোঙান-তোঙানবা মশান্নশিং অসিদা শান্নরিবা প্লেয়রশিংনা মশা মশাগা চপ চানবা প্রেক্টিস তৌদুনা চঙশিন্দ্রবদি মায় পাকপদসু ৱারগনি। খুদম ওইনা ৱেথ লিফটিংগী প্লেয়র অমদা পীগদবা ট্রেনিং অমসুং বোক্সিংগী শান্নরোয় অমদা পীগদবা ট্রেনিংসি অদুম খেন্নগনি। ৱেথ লিফটিং শান্নগদবা প্লেয়রশিংনা ৱেথ থাঙ্গৎপা মতমদা মরু ওইনা শীজিন্নগদবা হকচাংগী পার্টশিংসি করি করিনো হায়বসি খঙদোক্লগা মদুদা ট্রেনিং পীবা তাই। বোক্সিংগীসু আর্চরিগীসু, হোক্কিগীসু, ফুটবোলগীসু মুন্না খঙদোক্লগা মদুদা সাইন্টিফিক সপোর্ট পীরগা হোৎনরবদি শোইদনা মায়পাকপসু তাবনি।

তাকয়েল সাইদা হাংদোকখিবা স্পোর্টস সাইন্স সেন্টরসিদা থবক্তগী পোত্থাবা মতম অদুৱাই ফাওবা ঐহাক লৈজরম্মী। মালেমগী ওইনা স্পোর্টসকী মাঙজিল থাখিবা কন্ত্রিশিংনা খরা এদভান্স ওইনা শীজিন্নখ্রবসু ঙসিদি ইন্দিয়াসু তপ্না তপ্না লাকখ্রে। স্পোর্টস সাইন্স সেন্টরগী কান্নবসি পুন্না লৌমিন্নবা ঙম্লনবা সাইগী খুত্থাংদগী ঐহাক ইন্টর্নেসনল থাক্তসু পেপর তরুক পুথোকখ্রে। নেসনলগী ওইনসু পেপর ১৫ রোম খুদোল তৌজখ্রে। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা ওর্গনাইজ তৌদুনা শীনখিবা 'ইন্দিয়ন সাইন্স কোংগ্রেস'তসু ঐহাক পেপর প্রজেন্ট তৌজখি। সাই সেন্টরদগী স্পোর্টস সাইন্টিফিক পেপর পুথোকপসিসু মী পঙয়াম য়ামদে। বেঙ্গলোরদগী লক্সমী সাহগা ঐখোয় খরদনি 'ইন্দিয়ান সাইন্স কোংগ্রেস'গুম্বদা পেপর হেক হেক পুথোক্লিবসি। অসুম্না পেপর পুথোকচখিবা অদুনা ইন্দিয়ন সাইন্স কোংগ্রেসকী কাংবুনসু শকখঙবীদুনা মখোয়গী অখন্নবা মীফমশিংদা য়াওরনবা ফ্লাইট টিকেট অমদি চে-চাংনচিংবা হৌজকসু অদুম থাবীরকই।

য়াম্না নুংঙাইজবা অমনা হন্দক্তা পুনেদা তৌখিবা 'খেল্লো ইন্দিয়া' অদুগীদমক ইন্দিয়ন সাইন্স কোংগ্রেসতগী ঐগী টিকেট থারকখি। ইন্দিয়াগী ওইনা পর্ফোমেন্স মেনেজর তরুক খনবদা ঐসু য়াওরকখি। ঐখোয় তরুক অদুদি ডা. লক্সমী সাহ (বেঙ্গলোর), ডা. কৈল্যন (কোলকতা), ডা. প্রদিপ (ত্রিবান্দ্রম), ডা. জে এস বাবা ক্যরসিং মেজর (এ এস আই পুনেগী বাইও মেকানিক্স)গা ঐহাক্কনি। ডা. জে এস বাবাদি ঐখোয় ময়ামদগী খরা সিনিয়রনি। পার্টিয়ালাগী স্পোর্টস একাদমিদা ইন চার্জ ওইনা লৈরম্বনি জিম্নাষ্টিক্কীনি। হোৎনবা কনবা, লাইরিক-লাইশু য়াম্না হৈবা অহলনি।

খেল্লো ইন্দিয়া অদুদা, পর্ফোমেন্স মেনেজর ওইনা ঐখোয়না মরু ওইনা তৌজরম্বসি গেম পুম্নমক্কী অফবা পর্ফোমেন্স পীখিবা প্লেয়রশিং মখোয়না রিকমেন্দ তৌরকপা টেষ্ট ফাইনিদংসু ময়ামদু ঐখোয়না ষ্ট্রিম লাইন্দা ময়েক শেংনা পুথোকচখি।

... মথং মথং ...



**রত্নেশ্বরি গোশ্বামী**
অকাউ-পরৈ চল্লুরবশিং

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ১০১

১) মখাদা পীরিবশিং অসি উখ্রুলগী অফাওবা ফুটবোল শান্নরোয়শিংনি। মখোয়গী মনুংদা তোঙানবা শান্নরোয় অমা য়াওরি, মহাকসু উখ্রুলদগীনি। মহাক কনানো?
য়াঙমাশো সৈজা (চীফ মিনিষ্টর), সঙাম, অলেঙ শিমরে, ফারেঙ, রোমিও অমসুং বোরে।



২) অৱাং-নোংপোক ইন্দিয়াদা নেসনল কেনো স্প্রিষ্ট চেম্পিয়নশিপ পাঙথোকখি। করম্বা ৱাটর স্পোর্টস কমপ্লেক্স (Water Sports Complex)তা থৌরম অদু পাঙথোকখি।

৩) তরুকশুবা সার চুরাচান্দ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট পাঙথোকখিবদা অশিল-অরাং তৌখিবা লুপ অদুগী মমিং পীয়ু।

৪) অমেরিকা মচা অমগা রসিয়া মচা অমগা লোঙজম্পদা ফুট ২৭ হেন্না চোংবা ঙম্মী, মখোয় অনীবু ফুট ২৬কা খরা খক হেন্না চোংখিবা নুপা অমনা ওলিম্পিক্তা সনাগী মেদল ফংখিবদুনা মায়থীবা পীখি। সনাগী মেদল লৌখিবা অদুগী মমিং পীয়ু।

৫) উৎলিবা শক্তম অসি কনানো? →

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওগষ্ট ৩০, ইরাই নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা / থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্টনম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## মায় পাক্তুনা লাকখিবা সাফু অদু মখা তানা থম্নবা কন্না হোৎনরি ঃ কোচ ফ্লোইদ পিন্তো

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী)ঃ

হন্দক্তা ওসিনিয়া দিভলপমেন্ট টুর্নামেন্টতা শরুক য়ারুবদা শান্নখিবা মেচ অহুমমক মায় পাক্লগা টাইটল লৌবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ফুটবোল টিমনা শরুক য়ারিবা শান্নরোয়শিংনা মায় পাক্তুনা লাকখিবা শাফু অদু মখা তানা অদুমক চত্থনবা হোৎনরি হায়না টিম অদুগী কোচ ওইরিবা ফ্লোইদ পিন্তোনা ফোঙদোকখ্রে।



ৱাফম অসি ফ্লোইদ পিন্তোনা মথংগী থাদা নেপালনা য়ুম্বু ওইরগা পাঙথোক্কদৌরিবা সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগী চহী ১৯ মখাগী টুর্নামেন্টকী শেম শাবগী থবক চত্থরিবা অদুগী মনুংদা ফোঙদোরকপনি।

কোচ ফ্লোইদ পিন্তোনা ফোঙদোরকখিবদা ভানোটুদা পাঙথোকখিবা ওসিনিয়া দিভলপমেন্ট টুর্নামেন্ট অদুদা ইন্দিয়াগী চহী ১৯ মখাগী ফুটবোল টিম অদুনা লম্বা তৌনখিবদা মেচ ৩ শান্নখি। মদুদা শুপ্নগী পাঙ্গল অমখক মায়োক্নবা টিমনা চনখি। হায়রিবা অদুসু পেনাল্টি স্পোট কাউনবদা চনখিবনি।

ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসনগা ৱারী শান্নবা অমদা কোচ ফ্লোইদ পিন্তোনা ফোঙদোকখিবদা চহী ১৯মখাগী ফুটবোল টিম অসিনা শরুক য়ারকপা টুর্নামেন্ট অমদি ফ্রেন্দলি মেচশিংদা চাওনা মায় পাকপা ঙমদুনা লাক্লি। মসিগী মথক্তা ইন্দিয়াগী সেনিয়র টিমদা খনখিবা কুমাম অমজিৎ অমসুং নরেন্দর সাউথ এসিয়া ফুটবোল ফেদরেসন য়ু ১৯ টুর্নামেন্ট অদুগীদমক টিম অদুদা শরুক য়াগদৌরিবা অদুনা টিম অদুগী পাঙ্গল হেন্না হাপ্লগনি হায়খি।

## সিনকেফিল্ড চেছ কপ টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী অনন্দ ৯লক শুবা দ্রো চৎতুনা অনীশুবদা লৈখ্রে

সেন্ট লুই, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী)ঃ

য়ু এস এগী নোর্থ কেরোলিনাদা লৈবা সেন্ট লুই সিটিদা পাঙথোক্লিবা মালেমগী মমিং লৈরবা চেছ শান্নরোয় ১২না শরুক য়ারিবা সিনকেফিল্ড কপ টুর্নামেন্টকী ১০শুবা রাউন্দ লোইশিল্লকপদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বানাথন অনন্দ অহানবা রাউন্দ মায় পাক্লবা মতুং মখা তারকপা রাউন্দ ৯ থংনা থংননা দ্রো চৎতুনা অনীশুবা পোজিসনদা লৈখ্রে।



ইন্দিয়াগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ৫রক ওইবা ঙমখ্রবা গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বানাথননা সিনকেফিল্ড কপ চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী অহানবা রাউন্দদা রসিয়াগী ইয়ান নেপোমনিয়াচিবু মায়থীবা পীরবা মতুং মখা তাবা রাউন্দ ৯ থংনা থংননা দ্রো চৎখিবনি।

অনন্দনা ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা ১০ শুবা রাউন্দগী মেচ অদুদা রসিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর সর্গে কর্জাকিনগা লম্বা তৌনবদা অঙৌবা মচু পায়দুনা খুদোংচাবা ফংখ্রবসু রসিয়াগী শান্নরোয় অদুগী মায়কৈদগী অকনবা প্রেসর পীরক্তুনা ভুম ৩৫ শুরকপদা দ্রো চৎপদা য়ান্নরগা পোইন্ট ০.৫/০.৫ য়েন্নদুনা শান্নরোয় অনীমক ৫.৫/৫.৫ ফংলগা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা পোজিসনদা পুন্না লৈমিন্নরি।

সিনকেফিল্ড কপ চেছ টুর্নামেন্ট অসিগী ১০ শুবা রাউন্দদা চাইনাগী গ্রান্দ মাষ্টর দিং লিরেননা অর্মেনিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর লেবোন অরোনিয়নগা শান্নবদা দ্রো চৎতুনা পোইন্ট ৬ ফংখিবগা লোয়ননা গ্রান্দ মাষ্টর ১২গী অকনবা টুর্নামেন্ট অমা ওইরিবা অদুগী পোইন্ট টেবলদা পুন্না পোইন্ট ৬ ফংলগা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈরি।

৯শুবা রাউন্দ লোইশিনখিবদা ৩শুবা পোজিসনদা লৈরম্বা ৱর্ল্ড নম্বর ১ শান্নরোয় নোর্ৱেগী মেগনস কার্লসন ঙরাংগী ১০শুবা রাউন্দ অদুদা য়ু এস এগী গ্রান্দ মাষ্টর ৱেস্লিসোগা লম্বা তৌনবদা মায় পাক্তুনা পোইন্ট ৫.৫ ফংলগা অনীশুবা থাক্তা হায়গৎপা ঙমখি।

ঙরাং ফাওবা টুর্নামেন্ট অসিগী পোইন্ট টেবলদা মকোক ওইরম্বা রসিয়াগী ইয়ান নেপোনিয়াচি মহাক্কী ১০শুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী গ্রান্দ মাষ্টর মেক্সিম ভেসিয়র লাগ্রেবপু মায়থীবা পীরগা পোইন্ট ৫.৫ ফংলগা অতোপ্পা শান্নরোয়শিংগা লোয়ননা ২শুবা থাক্তা লৈখি।

অরোইবা রাউন্দদা অনন্দনা য়ু এস এগী নকামমুরাগা লম্বা তৌরনগনি। করিগুম্বা মেচ অদু মহাক্না মায় পাক্লবা অদুগা অতোপ্পা শান্নরোয়শিং অদুনা দ্রো চৎপগী তাঞ্জা লৈরবদি অনন্দসু টুর্নামেন্ট অসিদা মকোক থোংবা য়াবগী তাঞ্জা অমা লৈরি।

## নুপীগী নম্বর ১ সিদেদ জপানগী নাওমি ওসাকা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে, নুপাগী নম্বর ২ সিদেদ রাফেল নদালসু অহানবা রাউন্দ মায় পাকখ্রে

us open



ন্যু য়োক, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী)ঃ

চহী অসিগী অরোইবা গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট ওইনা ওইরিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী নম্বর ১ সিদেদ ওইরিবী জপানগী নাওমি ওসাকা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। নুপাগী কাংলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদালনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ থোইরগা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখ্রে।

জপানগী নাওমি ওসাকানা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা রসিয়াগী অনন্না ব্লিনকোভাবু অকনবা লম্বা অমা থেংনরগা ৬-৪, ৬-৭ (৫-৭), ৬-২দা মায়থীবা পীদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ওষ্ট্রেলিয়াগী এ সরমাবু ৬-৩, ৬-৪দা থোইরম্বী পোলেন্দগী এম লিনেটকা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস মায়কৈদা টুর্নামেন্ট অসিগী ২শুবা সিদেদ ওইরিবা স্পেনগী রাফেল নদালনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনগা লম্বা তৌনবদা ষ্ট্রেট সেট ৩দা ৬-৩, ৬-২, ৬-২দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌখি। মহাক্না অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌনবগীদমক অনীশুবা রাউন্দদা বেলারসকী আইইবাসকাবু ৬-৩, ৭-৬ (১০-৮), ৬-৭ (৪-৭), ৬-২দা থোইরম্বা ওষ্ট্রেলিয়াগী টি কোকিনাকিসকা থেংনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলসকী কাংলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ ওইরিবী রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা মহাক্কী অহানবা রাউন্দ মেচতা য়ু এস এগী নিকোল গিবসকা লম্বা তৌনবদা সেট ২-১দা মায় পাকখি। হালেপনা গিবপু ৬-৩, ৩-৬, ৬-২দা থোইদুনা অহুমশুবা রাউন্দ য়ৌনবগীদমক য়ুক্রেনগী কে কোজলোভাবু ৩-৬, ৬-৩, ৬-২দা থোরম্বী য়ু এস একী টুর্নামেন্ট অসিদা ক্বালিফাইয়র ওইনা শরুক য়ারকখিবী টি তাউনসেনগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ৪শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওষ্ট্রিয়াগী দোমিনিকথিয়মবু ইটালিগী থোমাস ফাবিয়ানোনা ৬-৪, ৩-৬, ৬-৩, ৬-২দা মায়থীবা পীরমখি। ফাবিয়ানোনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দ মেচতা কলম্বীয়াগী এস গিরালদোবু ২-৬, ৬-০, ৭-৫, ৩-৬, ৬-৪দা থোইরম্বা কজাকস্তানগী এ বুব্লিককা লম্বা তৌনরগনি।

য়ু এস ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী নুপীগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা টুর্নামেন্ট অসিগী ১১ শুবা সিদেদ য়ু এসকী স্লোনে ষ্টেফেন্স অহানবা রাউন্দদা রসিয়াগী ক্বালিফায়র অনা কালিন্সিক্যানা ৬-৩, ৬-৪দা মায়থীবা পীরমদুনা কালিন্সিক্যানা অনীশুবা রাউন্দদা রসিয়াগী অতোপ্পা শান্নরোয় স্বেটলানা কুজনেটসোভাবু ৭-৫, ৬-২দা থোইরম্বী য়ু এস এগী কে আনগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দ মেচতা বেলারসকী শান্নরোয় অনী লম্বা তৌনবদা ৯শুবা সিদেদ ওইরিবী অরিনা সবালেনকানা ভিক্টোরিয়া অজারেনকাবু ৩-৬, ৬-৩, ৬-৪দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এসকী এম ব্রেনগলবু ৬-৩, ৬-৩দা মায়থীবা পীরম্বী কজাকস্তানগী য়েলেনা পুতিনসেভাগা লম্বা তৌনরগনি।

নুপাগী কাংলুপ্তা ৮ শুবা সিদেদ ওইরিবা গ্রিসকী স্টেফানোস সিসিপাস অহানবা রাউন্দদা রসিয়াগী এন্দ্রি রুব্লেবনা ৬-৪, ৬-৭ (৫-৭), ৭-৬(৯-৭), ৭-৫তা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা য়ু এস এগী বি ফ্রান্তান জেলোবু ৫-৭, ৭-৫, ৭-৫, ৭-৫তা থোইরম্বা ফ্রান্সকী গাইলস সাইমনগা শান্নরগনি।

নুপাগী কাংলুপ্তা ওষ্ট্রেলিয়াগী নিক কিরগিয়োসনা য়ু এস এগী ষ্টিপ জোন্সনবু ৬-৩, ৭-৬ (৭-১), ৬-৪দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা অর্জেন্টিনাগী এল মেয়রবু ৩-৬, ৬-২, ৬-৭ (৬-৮), ৬-১, ৬-৩দা থোইরম্বা ফ্রান্সকী এ হোৱাংগা লম্বা তৌনরগনি।

## বাউটো চেলেঞ্জর টেন্নিসতা ইন্দিয়াগী সসিকুমার মুকুন্দ ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে, অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শান্নরোয় ২ লৈহৌরে

বাউটো, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী)ঃ

চাইনাগী সিটি বাউটোদা থা অসিগী ২৬তগী চত্থরকপা ইন্টর্নেসনল চেলেঞ্জর টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯গী নুপাগী সিঙ্গলস কাংলুপ্তা ১২ শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা সসিকুমার মুকুন্দ ৩শুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে। অদুবু অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় অনী ২শুবা রাউন্দ লান্থোকপা ঙমখিদ্রে।



১২শুবা সিদেদ শান্নরোয় সসিকুমার মুকুন্দনা ঙসি অনীশুবা রাউন্দদা জপানগী জুমপৈ য়মাসাকিগা লম্বা তৌনবদা য়াম্না কোম্না ৬-০, ৬-২দা মায় পাক্তুনা ৩শুবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোয় সু ৱাংবু ৬-২, ৭-৬ (৭-৪)দা থোইরম্বা ৬শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা জপানগী কে উচিদাগা লম্বা তৌনরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াখিবা ইন্দিয়াগী এস ৱাৱত অনীশুবা রাউন্দদা ১৫শুবা সিদেদ শান্নরোয় ওইরিবা ওষ্ট্রেলিয়াগী হেরি বোর্সিয়রগী মখুৎতা ৫-৭, ২-৬তা মায়থীহৌদুনা বোর্সিয়রনা ৩শুবা রাউন্দদা রসিয়াগী আই নেদেলকোবু ৬-৩, ৬-৩দা থোইরম্বা ১৭ শুবা সিদেদ শান্নরোয় চাইনিজ টাইপৈগী সি ঐচ সেংগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা ইন্দিয়াগী নুপাগী সিঙ্গলস শান্নরোয় অর্জুন খাদে ঙসি অনীশুবা রাউন্দদা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪ শুবা সিদেদ শান্নরোয় সাউথ কোরিয়াগী জে এস নামগী মখুৎতা ৩-৬, ৩-৬তা মায়হৌদুনা নামনা ৩শুবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোয় অনীগী লম্বাদা মায় পাকখিবা ৪শুবা সিদেদ ৱাই বাইগা থেংনরগনি।

## এসিয়ন গেম চেম্পিয়ন ইন্দিয়াগী এথলিট অর্পিন্দরনা ত্রিপল জম্পকী গোল্ড ফংখ্রে, ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী মার্কতি য়ৌখিদ্রে

লখনৌ, ওগষ্ট ২৮ (এজেন্সী)ঃ

ইন্দিয়াগী উট্টর প্রদেশকী কোনুং লখনৌদা পাঙথোকপা ৫৯শুবা নেসনল ইন্টর ষ্টেট এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপকী ঙসি পাঙথোকখিবা ত্রিপল জম্প কম্পিটিসনদা মমাঙদা এসিয়ন গেমসকী গোল্ড মেদল ফংবা ঙমখ্রবা অর্পিন্দর সিংহনা গোল্ড মেদল লৌখ্রে। অদুবু মহাক্না ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফায়িং মার্ক অদুদি য়ৌবা ঙমখিদ্রে।



অর্পিন্দর সিংহনা ঙসি চেম্পিয়নশিপ অসিগী নীনি শুবা নুমিৎতা সিজন অসিগী মহাক্কী ওইবা খ্বাইদগী ফজবা দিষ্টেন্স অদু চোংদুনা মিটর ১৬.৮৩দা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখি। অদুবু ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফায়িং মার্ক ওইরিবা মিটর ১৬.৯৫ য়ৌগদবা সেন্টিরমিটর ১২ ৱাংখিবদগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকী ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রে।

হায়রিবা কম্পিটিসন অদুদা কর্নাটকাগী য়ু কার্থিক অমসুং টামিল নাদুগী মহমদ সালা উদ্দিননা মথং শীৎনা মিটর ১৬.৭৯ অমসুং মিটর ১৬ চোংলগা সিলভর অমসুং ব্রোঞ্জ ফংবা ঙমখি। কুমজা ২০১৪দা মশাগী চহী ২৬ শুরবা অর্পিন্দর সিংহনা মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা দিষ্টেন্স অদু ১৭.১৭ চোংবা ঙমখিবনি। হন্দক্কী অসিদা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপকীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদ্রবসু সেপ্টেম্বর ৫দা পাঙথোক্কদৌরিবা ইন্দিয়ান গ্রান্দ প্রি কম্পিটিসনদা ক্বালিফাই ওইবা য়াবগী খুদোংচাবা অমদি লৈরি। ৱর্ল্ড এথলেটিক্স চেম্পিয়নশিপ ২০১৯ সেপ্টেম্বর ২৮দগী ওক্টোবর ৬ ফাওবা দোহাদা পাঙথোক্কদৌরিবনি।